**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী ১৫৫ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা মীয়ামা অহিংশাদা থাজবা থমদুনা, ৱাথোক খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হায়রি।

৩) উখ্রুল জিলাদা লমগী চয়েৎনবগী মতাংদা নোংমৈ কাপরকপদগী মীওই অহুম লৈখিদ্রে, ৪০ হেন্না অশোক অপন নংলে।

৪) নুংশি চান্নবা অমদি অপুনবগী শক্তম শাগৎপা মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীপুম খুদিংমক্তা লু-নানবা হায়বসি পুন্সি তৎনা থানবা য়াদ্রবা অমা ওইহন্নবা ৱাশক লৌনবা হায়রি।

------

গান্ধিজয়েন্তি (এল)ঃ লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী ১৫৫ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

দিল্লিদা পাঙথোকখিবা স্বাচতা অভিয়ানগী থৌরমদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমদি তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়- মহাত্মা গান্ধিনা লু-নানবগী ইহৌ শাগৎলম্মি অমসুং নরেন্দ্র মোদি সরকারনা মসিবু মীয়ামগী ইহৌ অমা ওইনা ওন্থোক্লে।

নুমিৎ অসিগী পালন থোরম মনিপুরদসু রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিএল হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লুচিংদুনা মীয়ামনা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিবু লু-নান্না থম্বদা মীয়ামনা চাউনা থৌদাং লৌবীনবা হায়খি। অহিংশাদা থাজবা থমদুনা, ৱাথোক খুদিংমক ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা অমদি মীয়ামা ঐ ঐগী হায়বা ৱাখল থাদোকদুনা লৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌনবসু শ্রী বিরেন্না হায়রি।

থৌরমদুদা মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু ঙসি গান্ধি জয়েন্তিগা মরী লৈননা লম তু শেংবগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলা য়াওনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংগী ওফিসশিংদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা ঙসি লু-নানবা অমদি লম তু শেংবগী কেম্পেনশিংগা লোয়ননা জাতিগী লু নানবা নুমিৎ- স্বাচ ভারত দিবস ২০২৪ গী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

মোইরাং পুলিস ষ্টেসন অমসুং সি.আর.পি.এফকা পুন্না খুৎশমদুনা মোইরাংগী অকোইবদা লম তু শেংদোকখ্রে।

সরকারগী লোইশঙশিং, কৈথেল অমদি লৈকাই লৈকাইদসু লম-তু শেংবগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি। ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা সি.আর.পি.এফকী ৮৬ শুবা বত্তাল্লিয়ন্নসু লমফেল সুপর মার্কেট অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা মফমশিং শেংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলসনসু নোনে জিলাগী তেংখোংজাং খুলদা ঙসি লম তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ভারত লান্মীনসু ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা গান্ধি জয়েন্তি অমসুং স্বাচ ভারত অভিয়ানগী থৌরমগা মরী লৈননা লম তু শেংদোকখ্রে।

থা অসিগী ১৭ তগী থখায় অমা চুপা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিন্দুনা চথ্থরকপা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেন ঙসি মায় পাকা লোইশিনখ্রে।

জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনসু ঙসি জাতিগী লু-নানবগী নুমিৎ পালন থৌরম অমদি মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি কাউন্সিলগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

বন্দ (এল)ঃ কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীওই অহুম ফাখিবগী মনুংদা অমা থাদোরক্লগা অনিনা হৌজিক ফাওবা ফাজিনদুনা থন্লিবা অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা কৌবা জেনেরেল ষ্ট্রাইকনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোক্লে। তম্পাক্কী জিলাশিংগী মফম কয়াদা মীয়ামা লম্বী থৎতুনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংখি। কৈথেল অমদি দুকান অয়াম্বা থোঙ লোন্নখি।

উখ্রুল (এল)ঃঃ উখ্রুল জিলাদা ঙসি হুনফুন অমসুং হুংপুং ভিলেজ অনিগী মরক্তা লমগী চয়েৎনবগী মতাংদা চাওনা উংখৎনবা থোকখ্রে । নাকল অনিগী মরক্তা নোংমৈ কাপরকপদগী মণিপুর রাইফলসকী পার্সোনেল অমা য়াওনা পুন্না মীওই অহুম লৈখিদ্রে। মীওই ৪০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে। শোক্লবা মীওইশিং অদু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমদি লৈসিফুং খৃষ্টান হোস্পিতালদা লায়কন্নরি।

লমতু শেংবগী ৱাহৌদগী হৌরকখিবা উংখৎনবগী ফিভম অদু লাকশিন্নবা জিলা অসিদা ভারতিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতাগী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ দগীনা মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা অথিংবা থমখ্রে।

জিলা অসিগী সব-দিবিজনেল মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমদা মীয়ামা য়ুম য়ুমদগী চৎথোক্তনবা খঙহল্লি।

ফীভম অসিগী য়েংলগা জিলা অসিদা ঙসি নুংথিল পুং ১.২০ দগী ইন্টরনেট সার্ভিস, ব্রোদ বেন্দ অমদি মোবাইল দেতা সার্ভিসশিং পুং ২৪গী ওইনা থিংজনখ্রে। মসিগী মতাংদা রাজ্য সরকারগী হোম বিভাগনা চেরোল অমা থোকখে।

ত্রান্সপোর্ট, ভেটরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি মন্ত্রি খাসিম ভাসুম, এম.এল.এশিং- লৈসিও কৈশিং অমসুং রাম মুইভানা হুনফুন অমসুং হুংপুং খুল অনিগী মীয়ামদা ৱাথোক অদু মখা তানা চাউথোকহান্দনবা আপীল তৌরি। মখোয় অহুমনা সহি তৌদুনা পুন্না থোকখিবা চেরোল অমদা হায়- ঐখোয়গী অঙাংশিং, অহল লমনশিং অমদি তুংগী মীরোলগী খল্লগা শান্তি পুরকশি অমসুং হিংশা থাদোক্তুনা ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন ৱারী শান্নদুনা পুরকবা হোৎনশি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদসু মখোয়না থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লি।

গভর্নর (এল)ঃ হয়েং মেরা চাউরেল হৌবা নুমিৎনি। চহি খুদিংগী মেরাগী নোংম পানবদা মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম পাঙথোক্লিনা লাক্লি। মহৌশাদগী হৌদুনা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা চীংমীগী ফুরুপ কয়াসু শরুক য়াদুনা লাক্লি। লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি।

মেরা চাউরেল হৌবগা মরী লৈননা রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- কুম্মৈ অসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা কাংলুপ পুমমক্কী মরক্তা অপুনবগী শক্তম শাগৎনবগীদমক চহি খুদিংগী মেরা থাদা পাঙথোকই। কুম্মৈ অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী মরক্তা অপুনবগী শক্তম শাগৎপগা লোয়ননা চহি কয়াদগী লৈরক্লবা চৎনবী কয়া ঙাক্তুনা শান্তি অমসুং চাওখৎপা পুরক্লগনি হায়বগী আশা তৌরি হায়নসু রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

লাংবন (এল)ঃ   য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুর (য়ু.সি.এম)না শিন্দুনা ঙসি মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাকবগী ইহোদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

অপুনবা লিলোং চজিং মৈরা পায়বী লুপসু ঙসি লিলোং চজিং পুখ্রি অচৌবদা লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিং অমদি মমাং চহিগী মে অহুমদগী রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংদা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগা মফমদা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা উ চারা কয়াসু থাখি।

নোর্থ ইষ্টর্ন থিয়েটর এসোসিয়েসন (নেতা) হৈঙাংনা শিন্দুনা লমদম অসিগী লৈখিদ্রবা আর্টিষ্টশিংগী মফমদা লাংবন হৈশোই কৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কছারদা লৈবা লেং ওনদবী পাৎ প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কমিতি মণিপুর-অসামনা শিন্দুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈ-লৈ অমদি লাংবন হৈশোই কৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লাংবন ইহুল (লৈশোই) তম্বা হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমসু ফোংখি।

শিব সেনা (এল)ঃ   শিব সেনা মণিপ্র প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়রি- মী ফারগা দিমান্দ তৌবা হায়বসি তেরোরিষ্টকী থৌওংনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনা বালা সাহেব ভবনদা ঙসি পাঙথোখিবা পাউগী মীফম অমদা  শ্রী তোম্বীনা হায়- ম্যান্মারদগী চংশিল্লক্লিবা মীওইশিং অসিনা তেরোরিষ্টকী থবক থৌওং কয়া চথুরি। হৌজিক নহা অনি ফাজিনদুনা থমখ্রিবা অসি থাদোকহন্নবা সরকারনা পায়খৎলিবা থবক অসি মায় পাক্কুনা লমদম অসিদা মহৌশাগী ফিভম অথুবদা হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু হায়নসু মহাকা হায়রি।

রাজ্য অসিদা থোক্লিবা তৎদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মীয়ামদা অৱাবা পীবতা নত্তনা মহৈরোইশিং মহৈ মশিং নিংথিনা তম্বা ফংদ্রে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

কোকোমি (এল)ঃ   ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন জি.দি. রিক্রুটমেন্ট টেষ্ট য়াওবা চৎখিবা নহা অনি কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফাজিনখিবগী থৌদোক কোকোমি ৱিমেন ৱিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। ওর্গনাইজেসন অসিগী এসিষ্টেন্ট কো-ওর্দিনেতর আর.কে. থরাকসনানা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা ফাজিনখিবা নহা অনি থাদোরকবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং লৌখৎপিনবা তকশিল্লি।

ইন্দিজিনস পিপলস ওর্গনাইজেসন মণিপুর, ওল মণিপুর টেলি এসোসিয়েসন্নসু নহা অনি ফাজিনখিবগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা অথুবা মতমদা মখোয়বু থাদোরকবা হায়রি।

নোনি (এল)ঃ    ৫৭ শুবা য়ু.এন.ঐচ.আর.সিদা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী ডাঃ অরাম্বম নোনিনা মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা খুন্দাবা রাজ্য অমনি। মরম অদুনা মসিদা ফুরুপ অমখক্তগী ওইবা ৱাখল্লোনদা হোমলেন্দ শেন্বা হায়বসি ওইথোক্লোইদবা অমদি দেমোক্রেতিক ওইদবা থৌওংনি হায়না ফোংদোকখ্রে। কনফরেন্স অসিদা শরুক য়াখিবা দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার অরাম্বম নোনিনা হায়-রাজ্য অসিদা কাংলুপ, ফুরুপ খায়না রাজনীতি তৌবনা লমদম অসিদা হেন্না তংদু লৈতাদবদা মতেং ওইহল্লি। তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৩৫ হেনবনা চহি কয়াদগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকখিবা রাজ্য অসিদা ফুরুপ খক্তগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌবশিংনা ইরাং থোকবা হোৎনরি। ইথনি সিতিবু খুৎলায় ওইনা শিজিন্নবা অসি পুমনমক্কী ওইনা মাংজবনি। মহাকা মখা তানা রাজ্য অসিদা ফুরুপ অমগী মীশিংদা কা হেন্না হেনগৎলকপা থেংনবা অমদি পোপি কলটিভেসনগী উমং ৱামং কয়া কোকথোকপা অসিগী মতাংদসু কনফরেন্সতা পুখৎখি।

কেম্প (এল)ঃ   বেথেসদা ফাউন্দেসন ফোর ৱিমেন এন্দ চাইল্ড ইম্পৱারমেন্ট নোনেনা শিন্দুনা- ৱি সার্ভ বিকোজ ৱি কেয়ার হায়বা থিমদা নোংবগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি লোক্তাক প্রোজেক্টকী নিউ কানান ভিলেজদা

পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ১০০ হেন্না লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকসু লেমা পীখি।

পিএমজেয়ুজিএ (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা ঙসি প্রধান মন্ত্রি জন জাতিয়া উনৎ গ্রাম অভিয়ান (পি.এম.জে.য়ু.জি.এ) হৌদোকখে। জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসকী মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এ.দি.সি- এম.দি. ফিরোজ খান্না স্কিম অসি হৌদোকখিবনি।

কামজোং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা স্কিম অসি হৌদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। পি.এম.য়ু.ৱাই স্কিমগী মখাদা আয়ুসমান কার্দশিংসু বেনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখি।

দিৱার্মিং (এল)ঃ ভারত সরকারগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী মখাদা ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা চহি ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং খুদিংমক্তা দিৱার্মিং টেব্লেৎ পীজবগী থৌরম পাঙথোক্লি। মসিদা স্কুল খুদিংমকসু মতেং পাংদুনা অঙাংশিং অমত্তা চিথদনা দিৱার্মিংগী টেব্লেৎ পীজনবগী পান্দম অসি ফংনবা হোৎনমিন্নশি হায়না ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না হায়রি।

খোঙচৎ (এল)ঃ মণিপুরগী মপানদা মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যবু নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা মমাং থাগী ২৯ দগী নুমিৎ হুমি চুপা নোংচুপ বঙ্গলাগী দুর্গাপুরদা চৎলুবা সাহিত্য থৌপাং লুপকী শক্তাক খোঙচৎ মায় পাকা ইম্ফালদা হল্লকখ্রে। মীওই ১৬ না শরুক য়াখিবা খোঙচৎ অদুদা মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যবু ময়েক শেংনা খঙহল্লমখি।

মোদি ঃ স্বাচতা হায়বসি মতম খরগী ওইবা ৱাশক নত্তে, পুন্সি চুপ্পগীনি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীপুম খুদিংমক্তা লু-নানবা হায়বসি মখোয়গী পুন্সি তৎনা থানবা য়াদ্রবা অমা ওইহন্নবা ৱাশক লৌনবা হায়রি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি স্বাচ ভারত মিসন্না চহি ১০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা স্বাচতা হি সেবা ২০২৪ গী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা লু-নানবা ভারতনা অমা ওইহন্নবগীদমক লেপ্পা লৈতনা হোৎনবগী তঙাইফদবদু পনখি। লু নানববু মীয়ামগী ওইবা ইহৌ অমা ওইহনবগীদমক মহাকা ভারত মচা কোতি ১৪০ গী ৱাখল্লোন অদুবুসু ইকায় খুমবা উৎখি। মহাকা হায়- স্বাচ ভারত মিসনবু মায় পাকহনবদা মীপুম খুদিংমকা থৌদাং লৌখি। শ্রী মোদিনা হায়-খোঙজং অসিদা রাজ্য কয়াগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, মন্ত্রিশিং অমদি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা শরুক য়ারি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সেবা পাখৱারাগী নুমিৎ ১৫ নি খক্তদা লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা থৌরম লাখ ২৭ হেন্না শিনখি। মদুদা মীওই কোতি ২৮ হেনবনা শরুক য়াখি। ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মীপুম খুদিংমকপু মহাত্মা গান্ধি অমদি অতৈ লৈবাক অসিগী শকাইরবা মীওই কয়ানা পামজরম্বা ভারত অদু ওইহন্নবগী ঈথিল পীরি। শ্রী মোদিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম লম তু শেংবগী থবক তৌরিবশিং, শান্নরোইশিং, সেলেব্রেতিশিং, এন.জি.ওশিং অমসুং মিদিয়াগী মীওইশিংনা স্বাচ ভারত মিসনবু মায় পাকহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌবগীদমকসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

শ্রী মোদিনা হায়- ঙসিগী নুমিৎ অসিদা লুপা কোতি লিশিং ১০ রোমগী লু-নানবগী প্রোজেক্টশিং হৌদোকখি। মহাকা হায়- মিসন অমরুটকী শরুক অমা ওহনা ঈশিং অমসুং সিৱেজ ত্রিটমেন্ট প্লান্টশিং তোঙান তোঙানবা সহরশিংদা শেমগৎকনি। নমামি গঙ্গে অমসুং নমামি গঙ্গেগা মরী লৈনবা থবকশিং অমসুং অমোৎ অকায়শিংদগী বাইও গ্যাস পুথোকবা গভর্নমেন্ট প্লান্টনচিংবা থৌরাংশিংনা স্বাচ ভারত মিসনবু অনৌবা মাইকৈ অমদা পুরকপা ঙমগনি।

কোকেন ঃ দিল্লি পুলিসনা ঙসি নিউ দিল্লিদগী লুপা কোতি লিশিং ২ রোমগী ওইগদবা কোকেন কিলোগ্রাম ৫০০ হেন্না ফাগৎলে। দিল্লিগী মেরাওলিদগী কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই মরি অমসু ফারে। এদ্দিসনেল কম্মিসনার ওফ পুলিস (স্পেসিয়েল) সেল প্রমোদ কুসৱানা হায়- পুলিসনা কোকেন কিলোগ্রাম ৫৬২ অমসুং গঞ্জা কিলোগ্রাম ৪০ ফাগৎখি। মসি হৌখিবা মতম খরা অসিদা দিল্লিদগী খ্বাইদগী য়াম্বা চাংদা ফাগৎপা নিশাগী পোৎলমনি।

খোখো ঃ মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২৪ না শরুক য়াদুনা অহানবা খো খো ৱার্ল্ড কপ, ২০২৫ ভারত্তা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ৱার্ল্ড কপ অসি খো খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং ইন্তরনেসনেল খো খো ফেদরেসন্না শিনবনি।

ৱার্ল্ড কপ অসিদা মহাদেশ ৬ কী লৈবাক ২৪ না শরুক য়াগনি। মসিদা নুপা অমসুং নুপীগী টিম ১৬-১৬ না শরুক য়াগনি।

------